# ক্যুবানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরী ফগৎপা পাম্লে



*হাবানা, দিসেম্বর ২২ঃ* ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট রাউল্দ কাষ্ট্রোনা অমেরিকাদা লেমজবা য়াবা মরী থম্বা পাম্মী হায়বগা লোয়ননা লৈবাক অনিনা অমনা অমগী ৱাখল মান্নদবা শরুকশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎনগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট অসিনা হায়খিবদা কম্ম্যুনিষ্টনা চলাইবা ইথৎ লৈবাক অসিদা লৈঙাক হোংদোকপা মথৌ তাই হায়না য়ু এসনা পুখৎলিবা দিমান্দ অদু তোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা মরী ফবা হেনগৎহন্নবা হোৎনমিন্নবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট কাষ্ট্রোগী ৱারোল অসি মহাক্না নেলসন মান্দেলাগী মেমোরিয়েল সেরেমোনিদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাগা থা অসিগী হৌরকপদা উনদুনা খুৎ শোক্নখ্রবা মতুংদা ৱারোল অসি ফোঙদোরককিবনি।

ঐখোয়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মসিগী পোলিটিকেল সিষ্টেম অমদি সোসিয়েল সিষ্টেম হোংদোকউ হায়বা লৈতে হায়নসু রাউল্দ কাষ্ট্রোনা মীয়ামদা পীবা স্পিচ অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ক্যুবা অমদি অমেরিকাগী ওফিসিয়েলশিংনা হৌখিবা চহিদা চৎনবা য়াবা হিরম কয়ামরুম নৈনদুনা থেঙ্খাং কয়ারক্তা ৱারী শাখ্রবনি। মদুদা ইমিগ্রেসন অমদি পোষ্টেল সার্ভিস লৈবাক অনিগী মরক্তা নৌনা অমুক লৈহনবা হায়বগী ৱাফমসু য়াওখ্রবনি। মসিনা তাকপদি লৈবাক অনিনা লেমজবা য়াবা মওংদা মরী লৈনবা য়াই হায়বদু উৎখ্রবনি হায়নসু কাষ্ট্রোনা শুগাইনা ফোঙদোকখি।

অদুমকপু মহাক্না হায়খিবদা লৈবাক অনিগী মরক্তা তশেংনা খুমাং চাওশিনবা ঐখোয়না পাম্লগদি ঐখোয় অমনা অমবু ৱাখল মান্নদবা শরুকশিং ইকাই খুম্নবা উৎনদুনা ৱাখল মান্নদ্রবসু ইংনা লৈমিন্নবা য়াই হায়বসি খঙবা ঙম্লে, নত্রগদি য়ারোই। মথংগী লাক্কদৌরিবা চহি ৫৫ সু হান্নগী অদুগুম্না লৈননবা ঐখোয়না শেম শারে হায়নসু চেকশিন-ৱা ওইনা প্রসিদেন্ট অসিনা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি ক্যুবাগী রিভোলুসন মতুংদা ইং ১৯৬১ দা য়ু এসনা লৈবাক অসিগা মরী তৎনখিবগা লোয়ননা ইথৎ লৈবাক অদুগী মায়োক্তা ইকোনোমিক এম্বারগো থমখিবনি। মদুগী মতুং তাবদা লৈবাক অনি অসি মতম শাংনা ফাকথোক্লনা লৈমিন্নরকপনি। ক্যুবাগী কোনুং হাবানাদা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম লোইশিনবগী থৌরম অমদা প্রসিদেন্ট অসিনা লেজিসলেটরশিংদা হায়খিবদা ঐখোয়না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসবু মশাগী পোলিটিকেল অমদি সোসিয়েল সিষ্টেম হোংদোকউ হায়দ্রি। অদুগা ঐখোয়গী কাংলম অসিগা চুশিন্নবা য়ানবা ৱারী শানশি হায়খিবসু লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

মতাং অসিদা পনবা য়াবদি চহি অসিগী দিসেম্বর ১০ দা ইথা থাজদবা ফিভম অমদা ক্যুবাগী প্রসিদেন্ট রাউল্দ কাষ্ট্রোনা নেলসন মন্দেলাগী মেমোরিয়েল সেরেমোনি শরুক য়াবা চৎখিবদা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওবামাগা থেংনদুনা খুৎ শোক্নখিবনি।

অমরোমদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক অনি অসিগী মরক্তা মরীগী ফিভম খজিক্তং ফগৎলকপগী মতৌ অমা হন্দক মরক উরক্লি। অদুবু তাইশিন্নবগী হিরমদা অপনবা ওইবা য়াবা ফিভম খরদি লৈরি হায়নসু হাবানাদা পাউগী এজেন্সি অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মশাগী চহি ৮২ শুরক্লবা রাউল্দ কাষ্ট্রোনা ইং ২০০৬ তা মহাক্কী ময়াম্বা ফিদেল কাষ্ট্রোদগী লৈঙাক থৌদা লৌহৌবনি। ময়াম্বা ফিদেল কাষ্ট্রোদি হকচাংগী ফিভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বগী ফিভমদা হল্লক্লরোই হায়বা খঙবদগী চহি ২ লৈরগা মফম থাদোক্লুনা রাউল কাষ্ট্রোদা ক্যুবাগী লৈঙাক থৌদা মতম পুম্বগী ওইনা শীন্নরম্বনি। লৈঙাক থৌদা হেক পায়রকপদগী রাউল কাষ্ট্রোনসু ক্যুবাদা ইকোনোমিক রিফোর্মগী থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎখিদুনা য়ু এসকা লৈনবা মরী ফগৎনবগী তাঞ্জা অসি য়ৌরকপনি। অদুবু কৃটিকশিংনা হায়বগী মতুংইন্না অহোংবা লাকপগী খোঙথাং কা হেন্না তপমল্লি হায়নসু ফোঙদোক্লখ্রে।

হিরম অসিদা কাষ্ট্রোনা হায়বদদি ক্যুবাগী শেমদোক-শাদোকপগী থৌরাং অসি তহা তহা চংশিনবা য়াবা নত্তে। শোইরগদি মায়থিবা নংগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

## অলকাইদানা লাল্লে হায়জরকখ্রে

*সানা, দিসেম্বর ২২ঃ* য়েমেনগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রি হোস্পিটাল অমদা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দা তমথিবা এযেক অমা চখ্দুনা মীওই ৫২ হাৎখিবা থৌদোক অদুদা অলকাইদাগী য়েমেন ব্রাঞ্চকী মিলিটরি লিদরনা লাল্লে হায়জরকপগা লোয়ননা শিখ্রবা মীওইশিংগী ইমুংশিংদা ঈগী মমল ওইগদবা শেনফম পীগে হায়রক্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়াম্না অতাংবা থৌদোক অমদা য়েমেনগী অলকাইদা ব্রাঞ্চকী মিলিটরি লিদর অমনা হায়খিবদা মখোয়গী ফাইটর অমনা মথক্কী ওর্দর ইনখিদে অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা এটেচ তৌবা হোস্পিটাল অদুদা দিসেম্বর থা মনুংদা এটেক চখখি। অদুগা মীওই ৫২ হাৎখি হায়রদুনা থৌদোক অদুগীদমক ব্রাঞ্চ অসিনা লাল্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

অরাবিয়ান পেনিন্সুলাদা লৈবা অলকাইদাগী কম্মান্দর কাসিম অল রিমিনা হায়খিবদা মিলিটেন্ট ৱেবসাইট অদুদা থাগৎলকপা ভিদিও রেকোর্দিং অমদা এটেক্করশিং অদুবু হোস্পিটাল কমপ্লেক্সতা চংদনবা হান্নমা ৱার্নিং পীখি হায়রি। অসিদা নত্তনা লাই খুরুম্বা মফমদসু চংদনবা খঙহনখিবনি হায়বগা লোয়ননা হায়বা ইন্দবা ফাইটর অমনা মরম ওইদুনা তমথিবা এটেক অদু চখখিবনি হায়বা ভিদিও রেকোর্দিং অদুদগী খঙলে হায়না কম্মান্দর অদুনা ফোঙদোরকখি।

## মোজাম্বীক্কী প্লেন পাইলোটনা অতম্নমা কায়হনখিবনি



*মাপুটো, দিসেম্বর ২২ঃ* মমাং থাদা নামিবিয়াদা কাইখিবা মোজাম্বীকান এয়ার লাইনর অদু অখঙ-অহৈশিংনা হায়বদা প্লেন অদুগী পাইলোটনা থওইনা মখাদা পাইথরক্লগা কাইহনখিবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মোজাম্বিকান এয়ার লাইন্সকী ফ্লাইট টি এম ৪৭০ এয়ার ক্রাফ্ট অদু মোজাম্বীক্কী কোনুং মাপুটোদগী এঙ্গোলা তম্না মমাং থাগী তাং ২৯ দা পাইরকপদা নামিবিয়াদা কাইদুনা প্লেন অদুদা য়াওখিবা মীওই ৩৩ মক পুন্সি মাঙখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিনখিবা সিভিল এভিয়েসন ইন্সটিট্যুটনা হায়বদা পাইলোট অদুনা অতম্নমা অরুবা মওংদা লৈথোক-লৈশিন তৌরগা পাইরগা লৈখাদা পাইথরক্লুনা নমদুনা ক্রাষ্ট অদু থোকহনখিবনি।

অদুবু মহাক্কী থৌওং অদু করি ৱাখলদগীনো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রি হায়না হৌজিক চখরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা শরুক য়াবা মীশক অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোং কন্না চুরিঙৈ মরক্তা প্লেন অদু নামিবিয়াগী বৱাবৱাতা নেস্নেল পার্কতা য়ুংথরক্লুনা কায়খিবনি। কায়রিবা মতৌ অদু য়েংবদা তশেংনা কাইহনখিবগী খুদম ফংই হায়না ইনভেষ্টিগেটরশিংনা ফোঙদোরকপনি।

অদুবু সিভিল এভিয়েসন ইন্সটিট্যুটকী মকোক জোৱাউ অব্রিয়ুনা হায়বদা হর্মিনোস দোর্স সান্তোস ফর্নান্দেজ হায়বা পাইলোট অসিনা এরোপ্লেন অদুবু থওইনা কাইহল্লগে খনখিবনি হায়বসিমদি তশেং-তশেংলে। মরমদি পাইলোট অদুনা কোকপিট মনুংদা ছো লোনশিন্দুনা লৈরগা কোকপিটতগী মীকুপ খরগী মমাংদা থোকখিবা কো-পাইলোট অদুবু অমুক হন্না চংলকপা য়াহনখিদে। মদুগী মতুং মীকুপ খরগী মনুংদা প্লেন অদু লৈখাদা য়ুংথরক্লুনা কাইখিবনি হায়নসু অব্রুনা ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মহাক্কী মতৌ অসি করি মরমদগী ওইথোকহনখিবনো হায়বা অসিমদি খঙবা ঙমদে। অদুগা এয়ার ক্রাফ্ট অদুনা পায়খিবগী অৱাংবা অদু মিটর লিশিং ১১,৫০০ ওইরম্বদগী লৈমায়রোমদা মিটর ১৮০ খক্তগী চাংদা খঙনেম নেমথহল্লকখি অদুগা এয়ার ক্রাফটকী খোঙজেলসু খঙহোং হোংদোকখি হায়নসু অব্রুনা ফোঙদোকখি।

## য়ু কে দা টৌইলেট ব্লোক অমা ম্যুজিয়ম ওন্থোকখ্রে

*লণ্ডন, দিসেম্বর ২২ঃ* পাক্না থোক্তবা থৌওং অমদা য়ু কে দা লৈবা টাউন অমগী মীয়ামগী টৌইলেট ব্লোক অমা ম্যুজিয়ম ওন্থোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসি টাউন অসিগী হিষ্টরিদা মরুওইবা ৱাফম অমা ওইনা লৈহৌরগনি হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউন্দ ১০৪,০০০ চংগদবা ম্যুজিয়ম অসি মোন্যুমেন্ট গার্দেন্স হায়বা স্লিফোর্দকী টাউনদা লৈবা মল্লবা টৌইলেট ব্লোক অমগী মফমদা শাগৎলগনি হায়রি।

স্লিফোর্দ ম্যুজিয়ম ত্রষ্টনা য়ু কেগী হেরিটেজ লোট্টরি ফন্দগী ম্যুজিয়ম অসি শাগৎপা কোন্নগদবা শেনফম মতিক চানা ফংখ্রে। ইং ২০১৫গী জনুৱারী থাদা হাঙদোক্লবা পান্দম তৌরিবা ম্যুজিয়ম অসিনা ত্রষ্ট অসিনা খোমজিনবা হিষ্টরিক ওইবা আর্টিফেক্টশিংগী খুত্থাংদা স্লিফোর্দকী ৱারী মীয়ামদা লিহৌরগনি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি। ত্রষ্টকী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা ঐচ এল এফনা প্রোজেক্ট অসিগীদমক পাউন্দ ৯৪,২০০ দি অহানবগী ওইনা পীরক্লে হায়রি।

## ফুটবোল য়েংলিঙৈদা কপ্পগীদমক নীপা অমনা গার্ল্ড ফ্রেন্দগী অঙাং হাৎখ্রে

*ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২২ঃ টেলিভিজনদা ফুটবোল মেটচ অমা নুংঙাইনা য়েংলিঙৈদা য়ু এসকী নীপা অমনা মহাক্কী গার্ল্ড ফ্রেন্দগী থা ৫ দা ঙাইরিবা অঙাং অমা কপ্পা তোক্তবগীদমক হাৎখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।*

*ত্রেভিয়ান্স মার্কিজ ৱাল্কর (২২) লৈফমনা ওক্লাহোমা হায়রিবা মীশক অসিনা হৌখিবা দিসেম্বর ৭ তা টি ভিদা লাকপা ফুটবোল মেটচ অমা য়েংলিঙৈদা মহাক্কী গার্ল্ড ফ্রেন্দগী অঙাং অদুবুসু য়েংশিলহৌবনি। অঙাং অদুনা কপ্পা তোক্তবদগী ৱাল্করনা অঙাং অদুবু অসুক্কী মতিক কন্না চপশিনখি, মদুদি অঙাং অদুদা হেদ ত্রোমা অমদি হেমতোমা থোকহনখি।*

*কোন্না অঙাং অদুগী ওটোপসি চখবদা ব্রেনদা ত্রোমা অমসুং হেমাতোমা থোকপদগী অঙাং অসি শিবনি হায়বা খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।*

*চপথেক্লবা মতুংদা অঙাং অদু ৱাল্করনা ফিট ২ ৱাংবদগী লৈমায়দা থাদখি হায়নসু পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।*

*মকোক্তা শাথিনা খামদেকপগা লোয়ননা পুং খরগী মতুংদা জ্ঞান তাদ্রবা ফিভম অমদা অঙাং অদু লৈরম্বনি। অদুগা মনাকোংদসু ঈ থোক্লম্মী হায়রি। অঙাং অদুবু লোকেল হোস্পিটাল অমদা পুখৎলকখি। অদুবু হোস্পিটাল য়ৌবদা শিরে হায়না লাউথোরকখি।*

*য়ুমথংনবা মীওই অমনা হায়রকপগী মতুংইন্না ৱাল্করনা য়াম্না শাওবা খোল্লোক অমদা অঙাং অসি কপ্পা শুক্তোক তোক্তে হায়খিবা অদু মহাক তাহৌই হায়না ফোঙদোরকখি।*

*মদুগী মতুংদা পুলিসনা ৱাল্করবু ফারগা ৱাহং পাউহং চখবদা অহানবগী ওইনা অঙাং অদু মহাক্না হাৎপনি হায়বা য়াখিদে হায়রি। অদুবু কোন্নথংদনদি মহাক্কী মরাল য়াজরকখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকই।*

# ৱাকৎলোইশিংনা থাইলেন্দগী কোনুংদা ওমশিনখ্রে



*বেঙ্কোক, দিসেম্বর ২২ঃ* য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোই লিশিং কয়া ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর মফম থাদোক্লবা অকনবা দিমান্দ পুখৎতুনা থাইলেন্দগী কোনুংদা ওমশিনখ্রে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রানসু মথং চহিগী ফেব্রুৱারী ২ দা স্নেপ পোল পাঙথোক্লবা লাউথোকখ্রবনি। অদুবু ৱাকৎলোইশিংনদি সিনাৱাত্রাগী শাগৈগী ইথিল হন্থহন্নবা রিফোর্ম খরা পাঙথোক্ত্রগদি মীখল পাঙথোকপা য়ারোই হায়না কন্না তকশিল্লিবনি।

পনবা য়াবদি ইং ২০০১ ফাওবদা মীখল খুদিংমক মাই পাকপা ওইখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর থাকসিন সিনাৱাত্রানা মশা মথন্তবু হেক এক্সাইল তৌজখিবগী মতুংদগী থাইলেন্দদা হৌখিবা চহি ৮ লোম হেনবসি গভর্নমেন্ট শৌগৎপা অমদি ওপোনেন্টশিংগী মরক্তা অসুম্না য়ানদবা ফিভমদা অদুমক লৈরকপনি।

ঙসি পুনখিবা ৱাকৎলোইশিং অদুনা য়িংলুক মফমদগী কুমথরো হায়না লাউবগা লোয়ননা সিটি অসিগী অকোইবদা মফম কয়ামরুমদা পুনশিন্দুনা অচৎ-অওকশিংদা চাওনা অপনবা থোকহনখি। মশাগী চহি ৭৫ শুরবী চালোই থানা পাইসানা হায়বী ৱাকৎলোই অমনা অমনা হায়খিবদা ঐহাক য়িংলুকপু য়ানিংদে। মরমদি মহাক্না থবক খুদিংমক থাইলেন্দ মীয়ামগী খল্লগা তৌদে। মহাক্কী মবুংগী খক্তমক খল্লগা তৌবা মরমনা মহাকপু লৈঙাক থৌদা পায়হন্নিংদে হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি থাইলেন্দগী হৌজিক ওইরিবা চরাংনবা মরক অসিদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা ৱাকৎলোইশিংগী মরক্তা জজশিং অমদি জেনরেলশিং ফাওবা য়াওদুনা থাকশিন সিনাৱাত্রানা কন্ত্রোল তৌবা গভর্নমেন্ট অসিগী মায়োক্তা চংশিনবা ৱাকৎ ঈহৌশিং শৌগৎলি। ওপোজিসন ওইরিবা দেমোক্রেট পার্টিনসু মথং চহিগী মীখল অসি বোয়কোট তৌগনি হায়না ঙরাং লাউথোকখিবদগী টার্ম লোইশিল্লক্লগা থাইলেন্দগী তুংলমচৎ য়েংবদা পল্লেপফম খঙদবা ফিভম অমদা লৈরি।

## লিবিয়াগী স্যুসাইট এটেকতা ৭ শিরে

*বেনঘাজি, দিসেম্বর ২২ঃ* লিবিয়াগী লৈঙাক মকোক কর্নেল গাদাফিনা লৈখা তাখ্রবা মতুংদা থোকপা ইহান হানবা স্যুসাইদ এটেক্কী থৌদোক অমদা মীওই ৭ শিরে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোক্লি।

লিবিয়াগী নোংপোক্তা কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা অগুইরিয়া ভিলেজদা লৈবা চেক পোইন্ট অমদা টার্গেট তৌদুনা এটেক্কর অদুনা মশাগা কোন্ননা বোম অমা পোকখাইহল্লক্তুনা মীওই ৭ হাৎলগা অতোপ্পা ৮ না শোকহনখিবনি। শোকখিবশিং অদুগী মনুংদা লান্মীশিংসু য়াওখি হায়রি।

বেনঘাজিগী মনুং অমসুং অকোইবগী চেকশিন থৌরাংগী ফিভম হৌখিবা থা খরা অসিদা য়াম্না শোকচিল্লক্লি। এক্সত্রিমিস মিলিসিয়াশিংনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা এটেকশিং চখরক্লি। খ্বাইদগী কোনবা স্যুসাইদ এটেক্কী থৌদোক অসিনসু বোম পোকখাইহনবা অমদি নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপগী লালোংদগী অহোংবা লালোং অমা চংশিল্লকপা উরে হায়নসু পাউগী এজেন্সি অমনা ত্রিপোলিদগী ফোঙদোকখ্রে।

আর্মি অমদি পুলিসতা মমাং চহিদা থেঙ্খাং কয়ারক্তা থোকখিবা বোম্বীং অমদি এসাসিনেসন থৌদোকশিংদা মীওই কয়ামরুম শিখ্রবসু হন্দক্কী স্যুসাইদ বোম্বীং অসি লিবিয়াদা ইহান হানবা এটেক ওইরি। লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা লৈবা মিলিসিয়াশিংগা মান্নদনা বেনঘাজী অমদি দরনাগী এটেকশিংদি অয়াম্বনা লাইনিংনা মরম ওইদুনা চখরকপনি হায়নসু লিখুন খরনা ফোঙদোক্লি।

ঙসি থৌদোক অদুগী মতাংদা উহৌবা আর্মি ওফিসার অমনা হায়বগী মতুংইন্না পোকখাইবা য়াবা পোৎচাকশিং থন্না য়াওরবা টৌয়োটা ত্রক অমা চেক পোইন্ট অদুদা থৌজিল্লক্লগা খামখি হায়রি।

ত্রক অদু নহা অমনা থৌরকপনি। খাল্লিবা ত্রক অদু লান্মীশিংনা চেক তৌনবা চংশিনখিবনি। মখোয় হেক চংশিনখিবগা গ্যাড়ী অদু পোকখাইরকপদা মনাক্তা লৈরম্বা মীচম খরসু য়াওনা লান্মীগী মীওইশিং অদু শিখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা কনামত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুবু অন্সার অল সারিয়া হায়বা ইস্লামিষ্ট মিলিসিয়া গ্রুপ অসি মফম অদুৱাইদা কন্না থবক তৌই হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এসকী ৱায়ার টেপ্পিং ইজরেলনা য়াখিদ্রে

*টেল অভিব, দিসেম্বর ২২ঃ* ইজরেলগী প্রেমিয়রগী মথক্তা য়ু এসনা ৱায়ার টেপ্পিং তৌখি হায়বা পাউ অদুগী মতুংদগী ইজরেলনা য়ু এসকী থৌওং অদু য়ানিংঙাই ওইদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমেরিকাগী কৈশুমশঙ অমদা ইজরেলগী জ্বিয়িজ স্পাইনি হায়বা জোনাথন পোলার্দনা পুন্সিগী মীয়াৎ মতম লেল্লিবা অদুদগী থাদোরক্লবা ইজরেলনা কন্না তকশিল্লিঙৈ চৈরক্তা পাউ অসি অমুক থোক্লকপনি। ইজরেলগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্টর য়ুভাইল ষ্টেনিজনা হায়খিবদা হন্দক মরক য়ু এসকা ঐখোয়গা অখন্নবা ইন্টলিজেন্সগী মরী অমা লৈরক্লি। অদুগা বৃটিশশিংগসু ইন্টলিজেন্সকী ওইবা অফবা মরী অমা শাগৎলক্তুনা লৈবাক অহুমগী ইন্টলিজেন্স অসি কম্ম্যুনিটি অমখক ওইরকপগী ফিভম অমা লাক্লিবনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা য়ু এসনা তৌরিবা থৌওং অসি য়ানিংঙাই ওইদে হায়না মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, এন এস এগী হুইসল ব্লোৱর এদৱার্দ স্নোদেননা মীয়াম মাংদা ফোঙদোরকখিবা অরোনবা দোক্যুমেন্টশিংগী ৱারোলশিং পল্লদুনা ন্যুয়োর্ক টাইমসনা ফোঙখিবা পাউ অমদগী ষ্টেনিজনা ৱারোল অসি ফোঙদোরকপনি।

অরোনবা চেরোল অদুদগী খঙলকপদা য়ু এস অমদি বৃটিশ ইন্টলিজেন্সনা মতম অমগী ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ইহুদ ওলমার্ট অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর ইহুদ বরাক্কী পাউ পাওনবগী ৱারোলশিং ইং ২০০৮ দগী ২০১১ ফাওবগী মনুংদা টেপ তৌখি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ঐখোয়নদি য়ু এসকী প্রসিদেন্ট নত্রগা হ্বাইট হাউসকী মথক্তা স্পাই চংদে। মসিগী হৌন-পথাপ তশেং-তশেংনা লৈবনি। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়দগী অরেপ্পা ৱাফম কয়ামরুম অকক্লনা ফোঙদোকখি। অদুগা মদুবু ঐখোয়না ইকাই খুম্নরি হায়নসু ষ্টেনিজনা ফোঙদোকখি।

লো মেকর নেকমেন সাইনা ইজরেলগী ৱাশিংটন এম্বেসিদা দিপ্লোমেট অমা ওইনা থৌ পুখিবা লো মেকর নেকমেন সাইনা হায়খিবদা ইজরেল অমদি য়ু এসনা ৱাশিংটনদা জোর্নাথন পোলাটপু ইং ১৯৮৫ দা ফাখিবা মতুংদগী অমনা অমগী মথক্তা স্পাই চংনদবা হায়বসিদা য়ানখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। পোলার্ট অসি হান্নগী য়ু এস নেভিগী এনালিষ্ট অমসু ওইনা অরোনবা চে চাং কয়ামরুম ইজরেলদা পী হায়বগীদমক মপুন্সি চুপ্পা মীয়াৎ তাবগী চৈরাক পীখ্রবনি।

## বাংলাদেশতা ফেক্টরি মৈ চাকখিবদু মপুনা থাবনিঃ পুলিস

*ধাকা, দিসেম্বর ২২ঃ* মমাংগী চহি ইং ২০১২ গী নভেম্বর থাদা বাংলাদেশতা ফেক্টরি অমা মৈ চাকখিবগী থৌদোক্তা মীওই ১০০ হেন্না পুন্সি মাঙখিবা থৌদোক অদু ফেক্টরি মপুশিংনা শিনখিবা থৌদোকনি হায়বগা লোয়ননা ফেক্টরি মপু অনি য়াওনা মীওই ১৩ গী মথক্তা মৈ থাবগী মরাল শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।



পুলিসনা হায়বগী মতুংইন্না দেলৱার হোসেন অমদি মহাক্কী লোয়নবী অদুগা অতৈ সিক্যুরিটি গার্দ খরসু য়াওনা মেনেজরশিংসু ধাকাদা লৈবা তাজরিম ফেক্টরি মৈ থাখিবগী মরাল শীরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু বাংলাদেশতা থোকপা গার্মেন্ট ফেক্টরি মৈ চাকপগী থৌদোকশিংদা খ্বাইদগী মীশি মীনা থোকপা থৌদোক অমসু ওইখিবনি। চহি অসিগী এপ্রিল থাদনা রানা প্লাজা ফেক্টরি নিংখাইরক্তুনা মীওই ১১৩৫ পুন্সি মাঙখি। থৌদোকশিং অসিগী মতুংদগী বাংলাদেশতা গার্মেন্ট ফেক্টরিশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা ওঠোরিটিনা অকনবা থৌরাং লৌখৎপদি হৌখ্রবনি।

পুলিস ইনভেষ্টিগেটর এ কে এম মোসিনুজামন খাননা হায়খিবদা দেলৱার অমদি মহাক্কী লোয়নবী মহমুদা অখটর য়াওনা অতোপ্পা মীওই ১১ গী মথক্তা থৌ-ৱা শাদবদগী মৈ চাকহন্দুনা মীশি মীনা থোকহনবগী মরাল শীরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মথোল য়াম্বা টাজরিন ফেসন ফেক্টরি অসি বাংলাদেশকী কোনুং ধাকাগী মতাইদা লৈবা অসুলিয়া দিষ্ট্রিক্টতা লৈবনি। ফেক্টরি অসিনা য়ু এস কী ৱাল মার্ট য়াওনা মীরৈবাক্কী রিটেল্লর কয়ামরুমদা রেদিমেট ফিরোলশিং সপ্লাই তৌবনি। মৈহৌ লাংপোক অদুনা মরম ওইদুনা মমাংদগী ফেক্টরি বিল্ডিং অসি ফিভম ফৎত্রে হায়না ৱাকৎতুনা লাকখিবা শিন্মী লিশিং কয়াদগী অকনবা ৱাকৎ ঈহৌ অমসু লৈখিবনি। অদুবু ঙসি পুলিসনা শীরিবা মরাল অসি দেলৱাল হোসেননদি য়াখিদে হায়রি।

ফেক্টরি মৈ চাকপগী থৌদোক অসিগী হেক মতুংদা ৱাকৎলোইশিংনা ধাকাগী লম্বী লমজাওশিংদা থোক্তুনা লৈবাক অসিগী ফেক্টরি বিল্ডিংশিংগী ফিভম ফত্রে হায়না অকনবা ৱাকৎ ঈহৌ চংশিল্লকখিবনি। ফেক্টরি অসিবু শীজিন্নবা ঐচ এন এম অমদি জারানচিংবা ইন্টর্নেস্নেল থাক্কী রিটেল্লরশিং অসিনা শিন্মীশিংগী অশোই অঙাম থোক্তবা ৱার্কিং কন্দিসন লৈহন্নবা আইনগী মরী লৈনবা চে-খরসু সাইন তৌখিবনি। অদুগা বাংলাদেশ গভর্নমেন্টনসু লৈবাক অসিগী গার্মেন্ট ৱার্কর পুন্না মিল্লিয়ন ৩ লোমগী থবক শুবগী ফিভমশিং ফগৎহনগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অয়াম্বনা নুপী ঙাক্তা ওইবা ৱার্করশিং অসিগী মিনিমম ৱেজ নেহগৎহনবগী ৱাফমসু গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবনি।

## কতন



অইবা অমসুং অয়েকপা নোং লান




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-106

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 7 | | 8 | | 1 | | | |
| | 1 | | | | | 4 | | 9 |
| | | 3 | | | | | | |
| 3 | | | | 8 | | | 5 | |
| 9 | | 2 | | 5 | 7 | 6 | | |
| 4 | | | | | 2 | | | 1 |
| | 2 | | 4 | 6 | 5 | | | |
| | | 6 | | | | | | 5 |
| | | | | | 3 | | | |

Prepared by : ROGER -A

YESTERDAY SOLUTION

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 | 7 | 1 | 9 |
| 9 | 4 | 1 | 3 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 |
| 7 | 5 | 6 | 9 | 8 | 1 | 4 | 3 | 2 |
| 2 | 7 | 3 | 5 | 1 | 6 | 8 | 9 | 4 |
| 8 | 9 | 4 | 2 | 3 | 7 | 6 | 5 | 1 |
| 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 9 | 3 | 2 | 7 |
| 6 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 1 | 4 | 3 |
| 4 | 1 | 8 | 6 | 2 | 3 | 9 | 7 | 5 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*